# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 26-12-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- মীয়াম অমসুং সরকারগী ওফিসিয়েলশিংনা হান্নদগী শরুক অনি হেনগৎনা থবক শুদুনা মাংখিবা মতমশিং মেনখৎনবা হোৎনমিন্নশি।

২) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা চহি অসিগী প্রধান মন্ত্রি রাষ্ট্রিয়া বাল পুরুস্কার মনা য়েন্থোক্লগনি।

অমসুং

৩) লৈবাক অসিগী লৌমীশিং অমদি লান্মীশিং অসি ঐখোয়গী থৱায়নি হায়না ফোংদোক্লদুনা মখোয়বু মপুং ফানা ইকায় খুমনবা উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা হায়রি।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- মীয়াম অমসুং সরকারগী ওফিসিয়েলশিংনা হান্না শুরম্বা থবক্তগী শরুক অনি হেনগৎনা থবক শুদুনা মাংখিবা মতমশিং মেনখৎনবা হোৎনমিন্নশি।
ইম্ফালদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী দরবার হোলদা ঙরাং পাঙথোকখিবা অফবা লৈঙাক সাসনগী নুমিৎ- গুদ গভর্নান্স ডেগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- অফবা লৈঙাক সাসন অমা লৈহন্নবগী পান্দম অদু ফংবা ঙমবা চীফ সেক্রেটরি য়াওনা সরকারগী ওফিসিয়েলশিংনা হেন্না থৱায় য়াওনা থবক তৌবগী

তঙাইফদবা লৈ। ওফিসিয়েলশিংনা অরাপ্পা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়ামগী তঙাইফদবা সার্ভিসশিং ফংহন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। মহাকা হায়- অফবা লৈঙাক সাসন হায়বসি কম্মিটমেন্ট, এক্কাউন্টেবিলিতি অমসুং দরকার লৈবা সার্ভিসশিং মতম চানা ফংহনবা অমদি ত্রান্সপেরেন্সি লৈনা থবক তৌবা অদুবুনি। রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সাগী ফিভম য়ামা ফবা ওইরমদে হায়না ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ইং কুমজা ২০১৭ তা মহাক্কী সরকার লাক্লবা মতুংদা মীয়ামগী অশেংবা লৈঙাক অমা ওইহন্নবা অখন্নবা মীৎয়েং চংদুনা থবক তৌবা হৌরকখি। মহাক্কী সরকারনা চীংদা চৎশি মীসন, খুঙ্গংদা চৎশি মিসন অমসুং তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া হৌদোক্কুনা মীয়ামগী লৈঙাক অমা লৈবগী অশেংবা মহাউ মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। স্কুল ফগৎহনশি মিসন পায়খৎপদগী সরকারগী স্কুলশিংদা মমা মপাশিংনা থাজবা হেনগৎলক্কুনা অঙাংশিং মীং চনবগী চাং চাদা ৫০ রোম হেনগৎহনবা ঙমলে। মসিগী মথক্তা কলেজ ফগৎহনশি মীসন, চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেংবাং, চীফ মিনিষ্টরস হেলথ কার্দনচিংবা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং কয়া হৌদোক্লিবা অসি গুদ গভর্নান্স লৈহন্নবনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা শিংথাখি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা মখা তানা থিবা হুন্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।
মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ১২৫ অমসুং নেসনেল হাইৱে-টু ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ৩১৩ অকনবা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পুশিল্লকখি। চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা চ্যেক পোইন্ট ১০৮ হাংদোক্ত্না চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখি। মীয়ামা তোকঙা থাজবীদনবা অমসুং শেমজিন শাজিনবা ভিদিওশিংদগী চেকশিন্নবসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

সিসিপুর (এল)ঃ চুরাচান্দপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ধরুন কুমারনা খৃষ্টমাস কুম্মৈগা মরী লৈননা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা কম্বল, থরমো ফ্লাস্ক, টোর্সলাইট অমসুং চান থকবা পোৎলম কয়া য়াওরি। দিপ্যুতি কম্মিসনারনা খৃষ্টমাস কুম্মৈগা লোয়ননা লমদম অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকপা ওইরসনু হায়না ফোংদোকখি।

বাল ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপ্পমদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা চহি অসিগী প্রধান মন্ত্রি রাষ্ট্রিয়া বাল পুরুস্কার য়েন্থোক্লগনি। মনা অসি রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১৪ গী খনগৎলবা অঙাং ১৭ তা পীগনি।

রাষ্ট্রিয়া বাল পুরুস্কার অসি লৈবাক অসিগী হিরম ৭- আর্ট এন্দ কলচর, থৌনা ফবা, ইনোভেসন, সাইন্স এন্দ টেকোলোজি, সোসিয়েল সার্ভিস, স্পোর্টস অমসুং ইনভাইরোনমেন্টকী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা অঙাংশিংদা পীবনি। থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিসু শরুক য়াগনি।

বির ঃ লৈবাক অসিগী তুংগী লাইবক লেপকদৌরিবা অঙাংশিংবু ইকায় খুমবা ওইনা ঙসি নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপ্পমদা পাঙথোক্কদবা বির বাল দিবসকী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াগনি। থৌরম অদুদা শ্রী মোদিনা ৱা ঙাংগনি। ইং কুমজা ২০২২ দা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা চহি খুদিংগী দিসেম্বর ২৬ পু বির বাল দিবস হায়না পালন তৌননবা লাউথোকখিবনি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- পালন থৌরম অসি হৌরক্লিবা অঙাংশিংবু নিংথিনা মখোঙ শোম্বীদুনা শেমগৎপীরবা মতুংদা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা ভারত অমা শেমগৎনবা হোৎনবদা থৌদাং য়াহন্নবা পান্দম থম্লি। ঙসি পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা সুপোসিত গ্রাম পঞ্চায়ট অভিয়ান হৌদোক্কনি। স্কিম অসিগী পান্দমদি অঙাংশিংবু মশা মঔ ফনা লৈহন্নবা মচি ওইবা

চীঞ্জাক পীজবগী থবক থৌরমশিং হেন্না ফগৎহন্নবনি। ঙসিগী থৌরম অসিদা প্রধান মন্ত্রি রাষ্ট্রিয়া বাল পুরুস্কার মনা ফংলবা অঙাংশিং য়াওনা পুন্না অঙাং ৫০০ রোমা শরুক য়াগনি।

জগদিপ ঃ লৈবাক অসিগী লৌমীশিং অমসুং লান্মীশিং অসি ঐখোয়গী থৱায়নি হায়না ফোংদোক্লদুনা মখোয়বু মপুং ফানা ইকায় খুমনবা উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা হায়রি।

তেলঙ্গনাগী মেরাট জিলাদা লৈবা আই.সি.এ.আর কৃষি বিগ্যান কেন্দ্রদা ঙরাং পাঙথোকপা নেচরেল এন্দ ওর্গানিক ফার্মরস সম্মিৎ ২০২৪ গী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা উপ-রাষ্ট্রপতিনা হায়- লৌমীশিংগা মরী লৈনবা ইসুশিং খোঙলৈ থুংনা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনগদবনি। মদুখক্তদা ঐখোয়না মখোয়বু ইকায় খুমবগী ৱাহন্থোক লৈগদৌরিবনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সবামিটভা স্কিমগী মখাদা হয়েং প্রোপরতি কার্দ লাখ ৫৮ হেন্না য়েন্থোক্লগনি। থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা স্কিম অসিগী বেনিফিসরিশিংগা ৱারী শান্নগনি। পঞ্চায়াতিরাজ মন্ত্রালয়না হায়- সবামিটভা স্কিম অসিনা লমগী মপুশিংদা লমগী মপু ওইবগী চপ চাবা হক অদু পীরগনি। মসিনা লমগা মরী লৈননা নিংঙাই শংদানবগী থৌদোকশিং হন্থহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। মসিগী মথক্তা পোপরতি টেক্স খোমগৎপদসু লাইথোকহল্লগনি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ওনলাইনগী খুত্থাংদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং অমদি মুখ্য মন্ত্রিশিং শরুক য়াগদৌরি।

নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা পঞ্চায়াতিরাজ সেক্রেটরি ভিভেক ভরদ্বাজনা হায়- স্কিম অসিগীদমক লৈবাক অসিগী খুঙ্গং লাখ ৩ লিশিং ১৭ দ্রোন শিজিন্নদুনা সর্ভে তৌরে।

মেলেরিয়া ঃ  কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রালয়না হায়রি- লৈবাক অসিনা নীংতম্বা ফংলকপা মতমদা চহিগী ওইনা মেলেরিয়াগী কেস কোতি ৭ লাখ ৫ রোম ওইরম্বা অদু চাদা ৯৭ হন্থহন্দুনা ইং কুমজা ২০২৩ দদি শুপগী লাখ ২০ দা হন্থহনবা ঙমলে। মসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিদা কাঙনা শন্দোকপা মেলেরিয়া লায়না লাকশিন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংদা শিংথানিঙাই ওইবা তাঙ্কক য়ৌদুনা ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন্না শিংথাবা লৈবাক অমা ওইরে। ইং কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিদগী মেলেরিয়া লায়না মপুং ফানা মুথৎপা ঙমবা সরকারনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। পান্দম অসি ফংননবগীদমক নেসনেল ফ্রেমৱার্ক ফোর মেলেরিয়া ইলিমিনেসন অমসুং নেসনেল ষ্ট্রেটেজিক প্লান ফোর মেলেরিয়া ইলিমিনেসনগী থৌশিলনচিংবা কয়া পায়খৎল হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।

কংগ্রেস ঃ ইং কুমজা ১৯২৪ দা মহাত্মা গান্ধিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা বেলাগাভি কংগ্রেস সেসনগী ১০০ শুবা নিংশিং থৌরম  কংগ্রেস দলনা শিন্দুনা ঙসি করনাটক্কী বেলাগাভিদা পাঙথোকপা হৌরগনি। নুমিৎ নিনি চথুগদবা মীফম অসিদা মহাত্মা গান্ধিগী মুর্তি মায়খুম হাংদোকপা, কংগ্রেস দলগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম পাঙথোকপা য়াওনা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং শিল্লি। থৌরম অসিদা এ.আই.সি.সিগী প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ্ন খরগে য়াওনা কংগ্রেসকী মরুওইবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াগদৌরি।

ৱেদর ঃ  ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি- হিমাচল প্রদেশ, পঞ্জাব, জম্মু কাশ্মীর অমসুং লদাখতা ঙসি কা হেন্না ঈংবা ফিভম মায়োকরবা য়াই। হিমাচল প্রদেশ, পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর, দিল্লি, উত্তর প্রদেশ, বিহার, উরিষা, অসাম, মেঘালয় অমসুং রাজস্থানদা ঙসি অয়ুক অমসুং নুমিদাংদা লৈচিল কুংনা থাবা ফিভম মায়োকরবা য়াই। ফিভম অসি লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমিদসু থোইনা অহোংবা লৈরদবা য়াই হায়রি।

অমরোমদা, হিমাচল প্রদেশ, পঞ্জাব, চান্দিগর, উত্তর প্রদেশ, রাজস্থান, মধ্য প্রদেশ, বিদরভা, ছত্তিসগর, ময়াই থংবা মহারাষ্ট্র, মরাঠাৱাদা অমসুং গুজরাত্তা ঙসি অমসুং হয়েং ময়াই ওইরগ্না চাং য়ৌনা নোং চুরবা য়াই হায়রি। লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমদদি লাক্লিবা নুমিৎ নিনিদা ঈংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ২ য়ৌরবা য়াই হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

ৱেথ লিফতিং ঃ দোহাদা চথুরিবা এসিয়ান জ্নিয়র ৱেথ লিফতিং চেম্পিয়নসিপকী কিলোগ্রাম ৮৭ মথক্কী নুপীগী কাংলুপ্তা মণিপুরগী মাইবম মার্তিনানা লুপাগী তকমান অনি, শেঞ্জেংগী অমা ফংলে। মহাকা অপুনবা কিলোগ্রাম ২২৫ থাংগৎতুনা অনিসুবা পোজিসন তাখিবনি। মহাকা ক্লিন এন্দ জর্কতা লুপাগী তকমান অমসুং স্নেটচতা শেঞ্জেংগী তকমান অমা লৌরকখিবনি।

------